# অনৌবা টেরর এটেক্তা ফ্রেঞ্চ পুলিসমেন অমা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখ্রে



মেগানানভিল, জুন ১৪ (এজেন্সী) : ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপপু শৌগৎপা মীওইনি হায়না ক্লেম তৌজবা মীওই অমনা ফ্রেঞ্চ পুলিসমেন অমসুং মহাক্কী পার্টনরবু হাৎখ্রে হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু ফৎত্রবা টেররিষ্টকী থবক অমনি হায়না ওথোরিটিশিংনা কন্না কন্দেম তৌখ্রে।

নুমিদাং অথেংবগী এটেক অদুগী মতুংদা প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ ওলান্দনা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু ফ্রান্সনা য়ুরো ২০১৬ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ-কীদমক্তা মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈরিঙৈগী মরক্তা কৌখিবনি।

ঙক্নিঙাই ওইবা পুলিসকী ওপরেসন অমদা হাৎখিবা মশাগী চহী ২৫ শুরবা লারোসি ওবালা কৌবা সস্পেক্ট অদু ইনভেষ্টিগেটরশিংনা আইদেন্টিফাইদ তৌখি। মখোয়না এ এফ পিদা ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক হান্না পাকিস্টানগা মরী লৈনবা জিহাদিষ্ট গ্রুপ অমগা মরী লৈনদুনা গ্রুপ অদুদা থৌদাং অমা লৌরম্বগীদমক্তসু চৈরাক লাউথোকখ্রবা মীশক অমনি।

মহাক্না পুলিসমেন অদুবু পেরিসকী নোর্থ ৱেষ্টর্ন মফম অমা ওইরিবা মেগানানভিলদা লৈবা মহাক্কী মুয়মগী মপান্দা হঞ্জিন হঞ্জিন্না থাঙনা থিনখি অমসুং মদুগী তুংদা মহাক্না পুলিসমেন অদুগী পার্টনর অমসুং মখোয়গী চহী ৩শুবদা ঙাইরিবা মচানুপাগা লোয়ননা য়ুম মনুদা লোৎতুনা লৈখি।

এটেক্কর অদুগা ৱারী শানবদা মায় পাক্তবদগী এলিট রেইদ পুলিস কাঙবু চঙশিনখিবগা ইরোয়ননা থৌদোক থোকফমদুদা বোম পোকখায়বগী মখোলশিং তাখি হায়রি।

ওফিসরশিংনা য়ুমদুদা থোমজিন্দুনা চঙশিনবা মতমদা নুপীদুগী অশিবা হকচাং লৈরমখি অমসুং এটেক্কর অদুসু রেইদ অদুদা শিখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন পিয়েরি-হেন্নরি ব্রান্দিটনা ফোঙদোকখি।

শিখ্রবা মতৌ-মনাওদুগী পীক্লিবা মচানুপাদু ইথুক থুক্কৎনা লৈরমখি তৌইগুম্বসুং অশোয়-অঙামদি য়াওরমদে। অঙাং অদু মেদিকেল ক্যের পীরি হায়না প্রোসিক্যুটরনা হায়খি।

এটেক্করগী মখুত্তা শিখিবা পুলিসমেন অদু চহী ৪২শুরে অমসুং মনাক নকপা লে ম্যুরোদা থবক তাবনি লোয়ননা মহাক্কী পার্টনর অদুসু লোকল পুলিস ওফিসল অমনি হায়রি। মখোয়গী মশক মমিংশিংদি ফোঙদোকখিদে।

ৱিটনেসশিংনা ইনভেষ্টিগেটরশিংদা হায়খি মদুদি, নুপা অদুনা পুলিসমেন অদুদা থাঙনা থিনবা মতমদা "অলাহু অকবর" হায়না লাউখিবগুম তৌখি।

মশক মমিং তাকথোক্তবা ইনক্বাইরি অদুগা নকশিন্নবা সোর্ছশিংনা হায়খি মদুদি, এটেক্কর অদুনা ওফিসরশিংদা আই এসপু শৌগৎপা ফোঙদোক্লমখি।

য়ু এসতা বেজ তৌবা মোনিটর এস আই টি ঈ ইন্টলিজেন্স গ্রুপনা আই এসকা মরী লৈনবা অমাক ন্যুজ এজেন্সীনা মসিগী টেলিগ্রাম চেন্নেলশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি, "ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরনা লে মুরো সিটিগী পুলিস ষ্টেসনগী দেপ্যুটি চীফ অমসুং মহাক্কী নুপীবু অথৌবা খুৎলাই অমা শীজিন্নদুনা হাৎখ্রে।"

অবালা কৌবা এটেক্কর অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৩দা অতৈ দিফেন্দেন্ট তরুক্কা লোয়ননা চথখিবা ট্রাইঅল অমদা টেররিষ্টকী থবক থৌওংশিং চথনবগী পান্দমদা ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা পুল্লম্বগীদমক্তা চহী ৩গী মীয়াৎ পীখি হায়না সোর্ছশিংদুনা ফোঙদোকখি।

ঙসি অঙনবদা ওলান্দনা এলিসি প্রসিদেন্সিয়ল পেলিসতা প্রাইম মিনিষ্টর মেন্যুল ভালস, ইন্টরিয়র মিনিষ্টর কাজেন্যুভ অমসুং জষ্টিস মিনিষ্টর জোন-জেক উরৱাগা উনখি। মদুগী মমাঙদা ওলান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা য়াম্না নুংঙাইতবা থবক অমা চথরল্লে অমসুং মীহাৎশিং অদুগী মরমদা থাঙ্গৈশেংনা করি করি লৈরল্লিবনো হায়বদু শেংনা খঙহনগনি হায়খি। মেগানানভিলদা চথখিবা ওপরেসন অদুদা পুলিসনা মফম অদুগী মীশিংবু য়াম্না থুনা হোংদোকখি অমসুং লন্বীশিং থিংজিনখি হায়না এ এফ পিগী জর্নেলিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# বাঘদাদি য়ু এসকী এয়র ষ্ট্রাইকতা শিরে-রিপোর্ট



টেহরান, জুন ১৪ (এজেন্সী) : আই এস আই এসকী লিদর অবু বকর অল-বাঘদাদি য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন্না সিরিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা শিখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

নোরদর্ন সিরিয়াদা লৈবা আই এস আই এসকী ষ্ট্রোংহোল্ড রাকাদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা বাঘদাদি শিখ্রে হায়না ইরানিয়ন ষ্টেট মিদিয়া অমসুং প্রো-গভর্ণমেন্ট টর্কিশ দেলি য়েনিস আরাবিক ন্যুজ এজেন্সী অল-অমাকনা ঙরাং হায়খি।

অমাকনা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা আই এস আই এসকী কালিক বাঘদাদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

"মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থা রেম্মদনগী ৫নিশুবা নুমিৎতা অবু বকর অল-বাঘদাদি হাৎখ্রে" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

কোলিসন্না রিপোর্টতুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা পাউ পীখিদে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরাকি টে ভী চেন্নেল 'অল-সুমারিয়া'না হায়খি মদুদি, আই এস আই এসকী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৬৫ রোমদমক লাপ্না লৈবা মফম অমদা কোলিসন্না চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা বাঘদাদি অশোক অপন নংখ্রে।

য়ু এস টি ভী নেটৱার্ক সী এন এননা ঙরাং য়ু এসকী দিফেন্স ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মকোক্তা দোল্লর মিলিয়ন ২৫গী মনা লাউথোকখ্রবা বাঘদাদি হৌখিবা থা ৬ লোম অসিদা মপান্দা কোইথোক থোক্তুনা চৎলে অমসুং মহাক মোসুলদা চৎখ্রে হায়বগী ইন্টলিজেন্স পাউ ফংখি।

অবু বকর অল-বাঘদাদি কুমজা ১৯৭১দা ইরাক্কী সামুরাদা ইব্রাহিম অৱাদ ইব্রাহিম অল-বাদ্রি হায়বা মিংথোলগা লোয়ননা লৱার-মিদ্দল ক্লাস সুনি ইমুং অমদা পোকখি।

মহাক্কী ট্রাইবনা বাঘদাদি অসি প্রোফেট মহম্মদকী চাদা নাওদানি হায়না ক্লেম তৌখি। নহা ওইরিঙৈদা বাঘদাদিনা লাইনিং লাইশোনগী লোবু কুপ্না অমসুং থৱায় য়াওনা নৈনখি অমসুং মহাক কোরানবু হৌবদগী লোইবফাওবা নীংথিনা চিনফা পুবা মীশক অমা ওইরমই হায়রি।

# অবু সারাফনা কনাদিয়ন হোষ্টেজ মঙক কক্তুনা হাৎখ্রে

মনিলা, জুন ১৪ (এজেন্সী) : অবু সায়াফকী মিলিটেন্টশিংনা কনাদিয়ন নুপা অমা মঙক কক্তুনা হাৎখ্রে হায়না ফিলিপিন্সকী ওফিসলশিংনা ঙসি কনফর্ম তৌখ্রে। মীওই অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা থাদোকমল চাউনা দিমান্দ তৌবদা পীদবগীদমক্তা হৌখিবা থা ২গী মনুংদা হাৎখিবা অনীশুবা কনাদিয়ন হোষ্টেজনি হায়রি।

রোবার্ট হোল কৌবা কনাদিয়ন হোষ্টেজ অদু হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা সী কোষ্ট অমদগী অতোপ্পা কনাদিয়ন অমা, নোর্ৱিজ্যন অমা অমসুং ফিলিপিনো অমগা লোয়ননা ফাখিবনি। অবু সায়াফনা ফাখিবা অতোপ্পা কনাদিয়ন হান্নগী মাইনিং ইগজিক্যুটিব জোন রিদসদেল হৌখিবা এপ্রিলদা মঙক কক্তুনা হাৎখি।

প্রসিদেন্সিয়ল স্পোক্সমেন হর্মিনিও কোলোমানা হোলবু "নুংশি হৈতনা অমসুং ৱাখল খন্দবা মওংদা হাৎখিবগী থৌওং" অদুবু কন্দেম তৌখি। মহাক অবু সায়াফনা খা থংবা সুলু প্রোভিন্সকী জঙ্গলশিংদা থা ৯ ফাদুনা থল্লকখিবনি।

"মসিগী খ্বাইদগী নৌবা ফৎত্রবা ক্রাইম অসিনা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা মসিগী অকি তুজুং পোকহনবা অমসুং তাকু-তারাংগী থবকশিং লোইশিন্নবা লৌরিবা ফিরেপ হেন্না চেৎশিনহল্লগনি" হায়না মহাক্না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ফিলিপিন পুলিসকী ওফিসলশিংনা ফংখিবা অমসুং এ পিনা উখিবা মিলিটেন্টশিংগী ভীদিও অমনা জঙ্গলগী এরিয়া অমদা হোলবু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না কোল্লা মচুগী ফুরিৎ অমা লিত্তুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মওংগী অমুবা ফিরাল অমগী মমাঙদা খুরুখুদক কুল্লগা লৈবগী শক্তম উৎখি।

অবু সায়াফনা মীফা থাদোক্লবগী ওইনা অচৌবা শেনফম অমা পীরক্লবা থাখিবা মতম অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লোইশিনখি অমসুং পুলিসনা তুংদা কোকেস্যন নুপা অমগী মশাদগী তৎলবা মকোক অমা সুলু প্রোভিন্সকী মরু ওইবা জোলো টাউনদা লৈবা রোমন কেঠলিক কেথিদ্রেল অমগী মপান্দা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি।

ওটাৱাদা কনাদিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদোনা হায়খি, হোলবু ফারিবশিংনা হাৎখ্রে হায়বগী থাজবা য়াবা মরম লৈরে অমসুং কনাদিয়ন গভর্ণমেন্টনা মহাক শিখিবগী মতাংদা কনফর্ম তৌনবা ফিলিপিন ওথোরিটিশিংগা হোৎনমিন্নরি। "লাইবক থিবদগী পাউশিং অদু অচুম্বনি হায়না থাজবা য়াবগী মরম ঐখোয়দা লৈরে" হায়না ক্রুদোনা হায়খি।

# মালেমগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মশীং হন্থরে, চাইনাগীদি মশীং হেনগৎলক্লে : মিলিটরি থিঙ্ক টেঙ্ক



লন্দন, জুন ১৪ (এজেন্সী) : মালেমগী ওইনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী মশীং হন্থরক্লি তৌইগুম্বসুং চাইনাগীদি ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী মশীং হেনগৎলক্লে অমসুং মখোয়গী খুৎলাইগী পুক্কে অদু মতমগা চুনহল্লক্লি হায়না ষ্টোকহোমদা বেজ তৌবা মিলিটরি থিঙ্ক টেঙ্ক অমগী অনৌবা রিপোর্ট অমনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা পাকিস্টানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মশীং ১০০ অমসুং ১৩০গী মরক্তা লৈ হায়না এষ্টিমেট তৌরি অদুগা ইন্দিয়াগী ন্যুক্লির খুৎলাইগী পুক্কৈদনা খুৎলাই ১০০দগী ১২০ ফাওবা লৈ হায়না পারি।

রিপোর্ট অদুনা ২০১৬ ফাওবসিদা চাইনাগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই ২৬০ লৈ হায়না পারি। ষ্টোকহোম ইন্টরনেসনল পিছ রিসার্ছ ইন্সটিট্যুট (সিপ্রি)না মসিগী চহীগী ওইবা ন্যুক্লিয়র ফোর্সশিংগী দেটাদা হায়খি মদুদি, ২০১৬ হৌরকপদা লৈবাক মাপন্না ওপরেসনেল ওইরবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই ৪,১২০ দিপ্লোইদ তৌখি।

দেটা অদুনা চাংচৎ ওইনা মালেম পুম্বগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী মশীং লেপ্তুনা হন্থরকপগী মওং লৈবদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈবা লৈবাক অমত্তা পংশাং শাংদবা মতমগী মনুংদা মখোয়গী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী পুক্কৈশিং অদু থাদোক্লনবা শেম শাবা লৈতে" হায়না সিপ্রিনা হায়খি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, মালেমগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈবা ষ্টেট মাপন হায়বদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রশিয়া, বৃটেন, ফ্রান্স, চাইনা, ইন্দিয়া, পাকিস্টান, ইজরেল অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী অপুনবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মশীং অসি ১৬,৩৯৫ ওইদুনা মমাঙগী চহী ২০১৫দা ১৫,৮৫০ ওইখিবগা চাংদম্নবদা খরা হন্থরক্লি।

"চাইনানা লৈবাকসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী পুক্কে মতমগা চুননবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মখোয়গী ন্যুক্লিয়র ফোর্সশিংসু তপ্না তপ্না হেনগৎপগী মওং উই। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান অনীমক্না মখোয়গী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মপৈশিং অমসুং মিসাইল দেলিভরি কেপেবিলিটিশিং হেন্না চাউথোক্লবা হোৎনরি" হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

"নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ ১০ মুক্কী কোন্নগদবা ফিসাইল মেটরিয়েল লৈবা মাল্লি। অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়ানা ওপরেসনেল খুৎলাইশিং পুথোকখ্রেনৎত্রগা দিপ্লোই তৌখ্রে হায়বগী মতাংদদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।"

সিপ্রিগী সানোন কিলিনা হায়খি, "হৌজিক খুৎলাই মশীং ককথনবা উরুবসু, ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোক্লনবগী মায়কৈরোমদা থাঙ্গৈশেংনা হোৎনবগী মওং ইউ উদে।"

ন্যুক্লিয়র খুৎলাই পায়বা লৈবাক খূদিংমক্না ন্যুক্লিয়র দিটরেন্সপু মখা তানা মখোয়গী নেসনল সিক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজিশিংগী মরু ওইবা শক্তমনি হায়না লৌনৈ হায়রি।

# 'ওর্লান্দোগী সুট্টর মাটিন গে অমা ওইরম্বা য়াই'



ন্যু য়োর্ক, জুন ১৪ (এজেন্সী) : ওর্লান্দোগী গে ক্লব অমদা মীওই ৪৯ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা ওমার মাটিন মশামক গে অমা ওইরম্বা য়াই তৌইগুম্বসুং শাওবদগী অমসুং ঈকায়বদগী মহাক্কী অশেংবা মশক্তু লোৎশিল্লম্বা য়াই হায়না মহাক্কী হান্নগী লোয়নবীনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না গে নাইট ক্লব অদুদা কয়ারক চৎখ্রে অমসুং মহাক্না গে দেটিং এপ্লিকেসন অমা শীজিন্নখি হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিল্লি হায়রি।

মার্টিনগী হান্নগী লোয়নবী সিটোরা য়ুসুফিনা হায়খি, মহাক্না মার্টিনবু কুমজা ২০০৮দা ওনলাইনদা উনখি অমসুং মখোয় অনী কুমজা ২০০৯দা লুহোংখি। "মহাক গে (হোমোসেক্সুঅল) অমা ওইরম্বা য়াই অদুবু শাওবা অমদি ঈকায়বদগী মহাক্কী অশেংবা মশক লোৎলম্বা মাল্লি" হায়না মহাক্না হায়খি।

ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট অমনা ফেদরেল লো ইনফোর্সমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, চহী ২৯গী মীওই অদুনা গে দেটিং এপ অমা শীজিন্নরম্বগী রিপোর্টশিংগী মরমদা এফ বি আইনা থিজিল্লি।

পলস কৌবা নাইটক্লব অদুদা চাং নাইনা চৎপা মীওইশিংগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্টশিং অদুনা হায়খি মদুদি, মহাক ক্লব অদুদা কয়ারক লাকখ্রে।

য়ুসুফিনা হায়খি, মহাক্কী হান্নগী মপুরোইবা অদুনা মঙোন্দা লুহোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক নাইটক্লবশিংদা তোয়না চৎলমই হায়খি। তৌইগুম্বসুং মফমশিংদু গে ক্লবশিংনি হায়নদি ফোঙদোকখিদে।

সী বি এস ন্যুজগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, ক্লব চৎপশিংনা ইনভেষ্টিগেটরশিংদা মাটিন হান্না পলসতা লাকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ওর্লান্দো সেন্টিনেন্ট অমসুং অতৈ ন্যুজ ওর্গনাইজেসনশিংনসু গে বার অদুদা চাং নাইনা লাকপা কষ্টমরশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মখোয়না মাটিনবু ক্লব অদুদা কয়ারক হন্না উখ্রে।

"করিগুম্বা মতমদা মহাক্না কোর্নরদা চঙশিন্দুনা মথন্তা ফমগনি অমসুং থক্কনি অদুগা করিগুম্বা মতমদা য়ু ঙাওরগা মৱা মখোল য়াম্না চাওই" হায়না স্মিথ কৌবা বার অদুগী পেট্রোন অমনা হায়খি।

স্মিথনা হায়খি, মহাক্না মাটিনবু ক্লব অদুদা তরারক্কী মথক্তা উখ্রে। কলোরাদোদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা উনদুনা ৱারী শানবা অমদা য়ু বুফিনা হায়খি, মাটিন অসি মহাক্কী অফা-অপুন্নবা লৈতবা স্পিরিটকী ওইনা মপুং ফারবা অমেরিকন অমনি অমসুং মহাক্কী ট্রেদিসনেল ফেমিলিবুসু পেলহনবা মুস্লিম অমনি।

# অফঘান লান্মীনা কাপ্লকপদা পাকিস্টানি ওফিসর শিরে

পোশাৱার, জুন ১৪ (এজেন্সী) : নোর্থ ৱেষ্টর্ন তোর্খামগী বোর্দর লানফমগী য়েৎনরিবা শন্বল খাবগী ইস্যুগী মতাংদা নোংমৈ কাপ্লবদা শোকখিবা পাকিস্টান আর্মিগী সিনিয়র ওফিসর অমা শোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ঙসি শিরে হায়রি।

মেজর জৱাদ চেঙ্গাজি মহাক্কী অশোকপদুনা মরম ওইদুনা কম্বাইন্দ মিলিটরি হোস্পিটাল (সী এম ঐচ)দা শিখ্রে হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখি।

চেঙ্গাজি ঙরাং বোর্দরদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্লবদুদা শোকখিবনি। মহাক নাকল অনীগী মরক্তা আর্টিলরি কাপ্লবদা শিখিবা পাকিস্টানি আর্মিগী অহুমশুবা মীশকনি। নোংমাইজিং নুমিৎতগী কাপ্লরকখিবা অদুদা অফঘান পুলিসমেন অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ মাপন্না শোকখি।

পাকিস্টানি মায়কৈদা, অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা মীওই ১৮ নোংমৈ কাপ্লবদুদা শোকখি। বোর্দর লানফমদা শন্বল খাবগী ইস্যুগী মতাংদা য়েৎনবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্লরকখ্রবা মতুংদা পাকিস্টাননা ঙরাং মকোক থোংবা অফঘান দিপ্লোমেট অমা কৌখৎখি। পাকিস্টানগী মায়কৈদা অনৌবা গেট অমা শাবগী থবক হৌরকপা মতমদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাইহৌরুবা তৌখিদবদা হান্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়না পাকিস্টাননা মরাল শীখি।



HL-B/3096/18/05-17/05

# EMPLOYMENT NEWS

**UTTAR PRADESH SUBORDINATE SERVICE SELECTION COMMISSION – UPSSSC RECRUITMENT 2016 – 2172 ACCOUNT ASSISTANT & AUDITOR VACANCIES – LAST DATE 04 JULY**

**UPSSSC Recruitment 2016**

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 2172 Account Assistant & Auditor. Apply Online before 04 July 2016.

**Advt No. : 12-EXAM/2016**

**Job Details :**

**Post Name :** Account Assistant
**No. of Vacancy :** 1917 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Post Name :** Auditor
**No. of Vacancy :** 255 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-

**Categories wise Vacancies :**
**Unreserved :** 1067 Posts
**OBC :** 593 Posts
**SC :** 450 Posts
**ST :** 42 Posts

**Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :**

**Educational Qualification :** Candidates must have Graduate in Commerce OR Economics from recognised University OR Post Graduate Diploma in Accountancy.

**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 to 40 years (As on 01.07.2016)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.

**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.185/-
**For SC/ST Category :** Rs.95/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**

**How to Apply UPSSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 13.06.2016 to 30.06.2016 (Part-I) and up to 04.07.2016 for Part-II.

**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 13.06.2016
**Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) :** 30.06.2016
**Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) :** 04.07.2016
**Closing Date for receipt of Application Fee :** 02.07.2016

**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=710&flag=H&FID=1215
**Apply Online :** http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

**CENTRAL UNIVERSITY OF TAMILNADU – CUTN RECRUITMENT 2016 – 19 LOWER DIVISION CLERK, UPPER DIVISION CLERK, LIBRARY ATTENDANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 15 JULY**

**CUTN Recruitment 2016**

Central University of Tamilnadu (CUTN) invites Application for the post of 19 Lower Division Clerk, Upper Division Clerk, Library Attendant & Various Vacancies. Apply Online before 15 July 2016.

**Advt. No. :** CUTN/ NT / 01/ 2016

**Job Details :**

**Post Name :** Lower Division Clerk
**No of Vacancy :** 08 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 1900/-
**Post Name :** Upper Division Clerk
**No of Vacancy :** 03 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-202000/-
**Grade Pay :** Rs. 2400/-
**Post Name :** Library Attendant
**No of Vacancy :** 04 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-202000/-
**Grade Pay :** Rs. 1800/-

**Eligible Criteria for CUTN Recruitment :**

**Educational Qualification :**

**For Lower Division Clerk :** A Bachelor Degree from recognized University with Type writing Lower/Junior grade in English speed of 30 wpm OR A Bachelor's Degree/Three years diploma in Hotel Management from recognized University/Institute and Two years of experience in Hostel/Guest house maintenance.

**For Upper Division Clerk :** A Bachelor Degree from recognized University. (ii) Three years of experience as Lower Division Clerk/Equivalent.

**For Library Attendant :** HSC (10+2)/Equivalent examination and Certificate course in Library Science from a recognized Institute/University.

**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 30 years as on 15.07.2016

**Age Relaxation :**
**For SC/ST :** 05 years
**For OBC :** 03 years
**For PWD :** 10 years

**Job Location :** Thiruvarur (Tamilnadu)
**Selection Process :** Selection will be made on Written Test.

**Application Fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 600/- & Rs. 100/- for SC/ST candidates through only on-line. SC/ST candidates are exempted from payment of application fee.

**How to Apply CUTN Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the official website www.cutn.ac.in from 13.06.2016 to 15.07.2016. Candidates may also send Hard copy of of the application with the all supporting documents to The Registrar, Central University of TamilNadu, Neelakudi Campus, Kangalancherry Po, Thiruvarur – 610101 on or before 30.07.2016.

**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 13.06.2016
**Last Date For Submission Of Online Application :** 15.07.2016
**Last Date for Submission Hard Copy of Online Application :** 30.07.2016

**Important Links :**
**Detailed Advertisement Link :** http://meta-secure.com/CUTN/pdfs/Notification_1.pdf
**Apply Online :** http://meta-secure.com/CUTN/